# মণিপুরদা মীকোক থিবা

## উশম ধনঞ্জয় সিংহ

*(হান্নগী মখা চৎখজরকপা...)*

**সেন্সস ১৯৫১ মণিপুর :** ষ্টেট সেন্সস হেন্দবুক ভোল্যুম ১গী লমাই ৫৮দা মণিপুরদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী মমারোলগী মতুংইন্না অসুম্না ইরি :

মমারোল মণিপুর

| | লোল | নুপা | নুপী |
|---|---|---|---|
| ১. | খাসি | ৩২ | ৮৪ |
| ২. | গারো | ১ | ২ |
| ৩. | নাগা | ১,৩৫৭ | ১,৬৯৪ |
| ৪. | মোঙসেন (আও) | ৪৭ | ২৯০ |
| ৫. | কবুই | ৮,৭৭৯ | ৯৬০৭ |
| ৬. | অঙ্গামী | ২০৯ | ১৪৭ |
| ৭. | খোংজাই | ৪০৪৯ | ২১৫০ |
| ৭.(a) | কোম | ১১৩২ | ১৩৫৮ |
| ৭.(b) | তারাও | ৮১ | ৭৯ |
| ৮. | তাঙ্খুল | ১৬,৪১৪ | ১৮,১২৯ |
| ৯. | রোংমৈ (নাগা) | ৩৯৫ | ৪০৫ |
| ১০. | মাও | ৭২৫৯ | ৭২৩৬ |
| ১১. | জেমী | ১,৩১৪ | ১২৬৩ |
| ১২. | কংচা | ১,৭৮৮ | ২১০১ |
| ১৩. | জো | ১৩১৯ | ১,৭৩৪ |
| ১৪. | সিমতে (নাগা) | ৮৮৮ | ১১৩৯ |
| ১৫. | রাংখোল | ২১৬ | ৩২২ |
| ১৬. | অনাল | ১,৬৯১ | ১৫৪৮ |
| ১৭. | মরাম (নাগা) | ১,১৮৮ | ১৬০৯ |
| ১৮. | কুকি | ১২,১৭২ | ১৩,৯৯৪ |
| ১৯. | কোইরেং | ২৬৩ | ২৩৩ |
| ২০. | পাইতে | ৫৩৬৪ | ৫,৩০৮ |
| ২১. | পুরুম | ১৯ | ২৪ |
| ২২. | লুমহাও | ২৪০ | ১৩৪ |
| ২৩. | চোথে | ৩২৪ | ৩৭১ |
| ২৪. | আইমোল | ১৫৬ | ১৭৯ |
| ২৫. | খারম (কুকি) | ৩৭ | ৫৩ |
| ২৬. | মরিং | ২৪৪৭ | ২৫৪০ |
| ২৭. | রালতে | ১২ | ২৭ |
| ২৮. | মার | ৪৪৫৯ | ৫৩৩৪ |
| ২৯. | লেংমৈ | ১৪১৩ | ৯৪০ |
| ৩০. | লমকাং | ৮৩৯ | ৮৪৯ |
| ৩১. | ৰাইফৈ | ১৮৫৫ | ২৩৮৬ |
| ৩২. | চিরু | ৪৪০ | ৬৩৯ |
| ৩৩. | থাদৌ | ৩৯৭৬ | ৪৩০৮ |
| ৩৪. | হাংশিং (থাদৌ) | ৩ | ৫ |
| ৩৫. | হাওকিপ (থাদৌ) | ১০৯২ | ১৫৩৪ |
| ৩৬. | কিপজেন (থাদৌ) | ১৪৭ | ৭৭ |
| ৩৭. | লুশাই | ৯৯৩ | ৭৫০ |
| ৩৮. | গাংতে | ১২২০ | ১২৭৬ |
| ৩৯. | ঙেনচৈ (লুশাই) | ৩৬৬ | ৩৭৩ |
| ৪০. | মিজো | ১২৫ | ১৫ |
| ৪১. | শিংপো | ৬৩ | ৭৮ |
| ৪২. | মিকির | ৮৯ | ৭৬ |
| ৪৩. | মণিপুরী (মৈতৈ) | ১,৮৫,৮০৩ | ১,৯১,৩৮৩ |
| ৪৪. | মোয়োল | ১৮১ | ৩৪০ |
| ৪৫. | বিষ্ণুপ্রিয়া | ৫৮ | ৫ |
| ৪৬. | কুরমী (ভুমিজ) | ৭৭ | ৩২৬ |
| ৪৭. | আসামিজ | ১৬৩ | ৮২ |
| ৪৮. | বঙ্গালি | ১৪০৬ | ১৪৫৩ |
| ৪৯. | ওরিয়া | ২ | ১ |
| ৫০. | হিন্দি | ৬৯১ | ২৫৯ |
| ৫১. | নেপালি | ১৮৯২ | ৯৬৮ |
| ৫২. | গুরুমুখি | ২৬ | ২৭ |
| ৫৩. | গারৱী (কোহিস্তানি) | ২ | ০ |
| ৫৪. | মারৱারী | ২৪১ | ৩৫ |
| ৫৫. | ওরাওন | ১৫ | ১০ |
| ৫৬. | মালায়ালম | ৬ | ৪ |
| ৫৭. | তেলেগু | ৪ | ০ |
| ৫৮. | টামিল | ৩ | ০ |
| ৫৯. | গুজরাটি | ২ | ২ |
| ৬০. | মারাথি | ৮ | ০ |
| ৬১. | কাশ্মীরী | ২ | ২ |
| ৬২. | পোশখো | ০ | ২ |
| ৬৩. | বর্মিজ | ২২ | ১৩ |
| ৬৪. | চিংপো | ২৫ | ১৪ |
| ৬৫. | ইংলিস | ২ | ২ |
| | অনক্লাসিফাইদ ওইবা লোনশিং | ৬৭৮২ | ৬৫৬৫ |
| | অপূনবা | ২,৪৩,৬৮২ | ২,৯৩,২৫০ |

কুমজা ১৯৬১গী মীকোক মশীং থিবগী মতাংদা মণিপুর এন্যুএল এদমিনিষ্ট্রেসন রিপোর্ট ফোর ১৯৬২-৬৩দা অসুম্না ইরি:-

মণিপুরগী অপূনবা মীশিং অসি কুমজা ১৯৬১গী মীকোক থিবগী মতুংইন্না ৭,৮০,০৩৭নি। দেনসিটি ওফ পোপ্যুলেসন অসি স্কার মাইলদা ৯০নি। তম্পাক্তা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৬৬ অমসুং অপূনবা লমগী চাদা ৮নি; পর স্কার মাইলদা দেন্সিটি অসি ৭৪.৭নি, চীংদনা ৩৩নি। মণিপুরগী অপূনবা মীশিং অসি রুরেল ঙাক্তনি।

**সেন্সস ওফ ইন্দিয়া ১৯৬১:** দিষ্ট্রিক্ট সেন্সস হেন্দবুক মণিপুরদা মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী মরমদা অসুম্না ইরি : কুমজা ১৯৫১দা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীশিং ৫৭৭৬৩৫নি। কুমজা ১৯৬১গী মীকোক থিবদা মীশিং ২০,২,৪০২ হেনগৎলে। মীশিং ৭,৮০,০৩৭ শুরে। চহী ৬০দা খ্বাইদগী ৰাংনা চাদা ৩৫ গী চাংদা হেনগৎলি। চহী ১০দা মীশিং হেনগৎলকপগী চাং ৰাংখৎলক্লিবা অসি শিবগী চাং হন্থরকপা, অনা লায়েংগী ফীভম ফগৎলকপা, থংনবা ষ্টেটশিংদগী চঙশিল্লকপা অমসুং কুমজা ১৯৫১গী মীকোক থিবদা খরা খজিক তাথখিবনা ওইবা য়াই।

কুমজা ১৯০১দগী কুমজা ১৯৬১ ফাওবদা মীশিং হেনগৎলকপা অসি চাদা ১৭৪.২১গী চাংদা ওইখি। কুমজা ১৯০১দগী কুমজা ১৯৬১ ফাওবদা অপূনবা মীশিংগী খেন্নবসি য়েংসি :

| চহী | অপূনবা মীশিং | চহী ১০দা খেন্নবা | খেন্নবশিংগী চাং চাদা |
|---|---|---|---|
| ১ | ২ | ৩ | ৪ |
| ১৯০১ | ২,৮৪,৪৬৫ | - | - |
| ১৯১১ | ৩,৪৬,২২২ | +৬১,৭৫৭ | +২১.৭১ |
| ১৯২১ | ৩,৮৪,০১৬ | +৩৭,৭৯৪ | +১০.৯২ |
| ১৯৩১ | ৪,৪৫,৬০৬ | +৬১,৫৯০ | +১৬.০৪ |
| ১৯৪১ | ৫,১২,০৬৯ | +৬৬,৪৬৩ | +১৪.৯২ |
| ১৯৫১ | ৫,৭৭,৬৩৫ | +৬৫,৫৬৬ | +১২.৮০ |
| ১৯৬১ | ৭,৮০,০৩৭ | +২,০২,৪০২ | +৩৫.০৪ |
| ১৯০১দগী | ১৯৬১ | | +১৭৪.২১ |

কুমজা ১৯১১দগী কুমজা ১৯৬১ ফাওবদা মীশিং অসি তপ্না অসুম হেনগৎলি। অদুগা কুমজা ১৯৫১দগী ১৯৬১ অসিদদি খংয়াম য়ামখৎলি। কুমজা ১৯০১দগী কুমজা ১৯১১ হেনগৎপা অসিনা য়াম্না হন্থনা ২শুবদা লৈরি।

কুমজা ১৯৬১দা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং ৭,৮০,০৩৭ অসি সবদিভিজন্দা খায়দোকপদা মখাগীসিনি:

| | | |
|---|---|---|
| ইম্ফাল ৱেষ্ট | : | ১,৭৮,২৩৫ |
| ইম্ফাল ইষ্ট | : | ১,২২,৬৫৫ |
| বিষ্ণুপুর | : | ৭৮,৮৫৩ |
| থৌবাল | : | ১,৩৪,৯২৪ |
| উখ্রুল | : | ৪৮,৫৯০ |
| মাও অমসুং সদর হিলস | : | ৭২,০৩৯ |
| তমেংলোং | : | ৩৬,৫১৮ |
| জিরিবাম | : | ১৮,১২৬ |
| চুড়াচান্দপুর | : | ৬২,৪১৮ |
| তেংনৌপল | : | ২৭,৬৭৯ |

কুমজা ১৯৬১গী মীকোক থিবদা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং অসি ৭,৮০,০৩৭নি। নুপানা ৩,৮৭,০৫৮নি, নুপীনা ৩,৯২,৯৭৯নি।

ধর্ম্মগী মতুং ইন্না :

| | নুপা | নুপী | মীশিং |
|---|---|---|---|
| ১. বুধ ধর্ম্ম | ১০২ | ২২৩ | ৩২৫ |
| ২. খৃষ্টান | ৭৫,৮৫৭ | ৭৬,১৮৬ | ১,৫২,০৪৩ |
| ৩. হিন্দু | ২,৩৮,৬৯৯ | ২,৪২,৪১৩ | ৪৮১১১২ |
| ৪. জৈন | ৪১৫ | ৩৬৩ | ৭৭৮ |
| ৫. মুসলিম | ২৪,৬২৫ | ২৩,৯৬৩ | ৪৮,৫৮৮ |
| ৬. সিখ | ২৯০ | ২৩৩ | ৫২৩ |
| ৭. ধর্ম্ম তাক্তবা | ৪৭,০৭০ | ৪৯,৫৯৮ | ৯৬,৬৬৮ |
| | ৩,৮৭,০৫৮ | ৩,৯২,৯৭৯ | ৭,৮০,০৩৭ |

ইম্ফাল টাউন অমসুং অতৈ সবদিভিজনশিংগী দেনসিটিজ ওফ পোপ্যুলেসন অসি মখাদা উৎলি:

| | মণিপুর | দেন্সিটি পর স্কার মাইল |
|---|---|---|
| ১. | ইম্ফাল টাউন | ১০,০৩২ |
| ২. | ইম্ফাল ৱেষ্ট | ১,১০৭ |
| ৩. | ইম্ফাল ইষ্ট | ৯৩৬ |
| ৪. | বিষ্ণুপুর | ৪০২ |
| ৫. | থৌবাল | ৬৭৫ |
| ৬. | উখ্রুল | ২৭ |
| ৭. | মাও অমসুং সদর হিলস | ৭৩ |
| ৮. | তমেংলোং | ২১ |
| ৯. | জিরিবাম | ৬৯ |
| ১০. | চুড়াচান্দপুর | ৩৫ |
| ১১. | তেংনৌপল | ২০ |

# অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম ওগষ্ট ১৩বু নীংশিংলুবা

## ডা. আর কে ভিক্তোরিয়া

**ওগষ্ট ১৩গী** অথৌবশিংবু নীংশিং থৌরম মুতুম জয় মেমোরিএল ত্রষ্ট কৈশাম্পাৎ মুতুম লৈকায় ইম্ফালনা শিন্দুনা কৈশাম্পাৎতা লৈবা এল শান্তিকুমারগী শঙ্গাইদা (চেবাউদা থারিবা অয়ূক পুং ১০.৩০) মতম চানা হৌদোকখি। অথৌবগী নীংশিং ফোটোগী নাক য়েত্তা মচু কয়াগী অশাৎপা লৈরাংশিংনা গমলাদা থারিবশিং মফম চানা থমদুনা থৌরমদুগী লৈতেং ওইখি। অথেনপোৎ, ধুপ-থাউমৈ, তরু-তনান্না চম্না নিংথিজবা পূক্লিং হুবগী মশক অমা ওইখি। শক্লাইরবা এক্টর-দিরেক্টর-রাইটর অমদি গুরু মুতুম মোধু এন্দ কলচর একাদেমিগী দিরেক্টরসু ওইরিবা ইকায়খুম্নজরিবা ওজা মুতুম উপেন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট, জি চন্দ্রকুমার শর্ম্মা সোসিএল ৱার্করনা প্রসিদেন্ট, মুতুম জয় মেমোরিএল ত্রষ্টকী একজিক্যুটিভ মেম্বর আর কে সোনিয়ানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। লেংয়ান ফী অমদি বেজ থেৎপা, জেনরেল সেক্রেটরি মুতুম নেলোন, সার্টিফিকেট অমসুং মোমেন্টো খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। চীফ গেষ্টনা লুচিংদুনা প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনরনা মৈরা চুখৎলবা তুংদা এল লৈমনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল শন্নপ্না ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা, থকসি-খাসি নাইনা নোল্লুক্লা পীখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপখি।

চীফ গেষ্টনা লুচিংদুনা প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনরনা লৈ-শু কৎপা, লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবশিংনসু লৈ-শু কৎপা, লেংবিরক্লিবশিংগী মনুংদা মশক নাইবা অহল-লমন, ওজা-গুরুশিং, জগোয়-ঈশৈগী কলাকার, থিয়েটরগী, ফিল্মগী আর্টিষ্ট, দিরেক্টর, খোরিরোলগী মশক নাইরবা অহল-লমনশিং, মণিপুর লৈঙাক্কী অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোইশঙগী ওফিসারশিং, মণিপুরগী সোসিএল ওর্গেনাইজেসনগী লুচিংবা অমদি লুচিংবীশিংনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইখি। অথৌবা অমসুং লৈবাক নীংবদা য়ূম্ফম ওইবা শৈরেং-শৈদিন্নবনা মপূং ওইবা থৌরম ওইখি। শৈরেং শৈদিন্নবা অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কাঙলুপ হায়বদি কবুই মীতৈ, মীতৈ পাঙন, তরাও, চোথে, পৌমাই, তাঙ্খুল, কোম, গাংতে, আইমোল, অনালনচিংবনা মশা মশাগী মনাৎকী ফিজোল শেৎতুনা শৈরেং-শৈদিন্নবা অদুদা পূন্না নুপা অমসুং নুপী ১০০ রোম্না শরুক য়াখি। শৈরেং পাখিবশিংদা সার্টিফিকেট অমসুং মোমেন্টোনচিংবা খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। শৈরেং পাখিবশিংদু পূক্লিং হকচাং য়াওনা হোৎনজবগী ফজবা মমি তাখি।

চীফ গেষ্টনা ফম্পাক মথক্তা কাবদা লাইবক কৎপা, তিল্লিবা মীয়ামদা খুরুম্বা অমদি থৌগল্লোন ঙাক্লা চৎলি। নাৎকী ওইবা ফিজোলদা মশক মতৌ ফজবা মগুন লৈবা মশাগী ফিরেপ চানা লেপ্পগা শৈরেং পাখি। শৈরেং শৈদিন্নবা অদুগী অহানবা ওইনা নীংতম পুন্সি লানফম হায়বা শৈরেং পাদুনা হৌদোকখি। শৈরেংগী ৱাহৈ ৱাতা ফজবা, নুংগী ফজবা ঙসিগী খুন্নাইদা ৱাখল্লোন ইথিল পীবা ঙম্মী। শৈরেং পাবদা থৱায় হাপ্পা ঙম্মী। ৱাহৈশিংগী ৱাহন্থোকশিংদু মফম চানা ইপোম নাইনা রস য়াওনা তাল নাইবগুম খোঞ্জেলসু ময়েক শেংবা, ফজবা অহিংবা শক্তম অমা মমাঙদা পুথোকপা ঙম্মী। তারিবা মীয়াম্নসু থাগৎনৈ। পুন্সিদা কাউঙমদনা অসুমক লৈহৌরগনি। অঙাংশিংগী ওইবা টেক্সবুক্তা তম্বদা কান্নগনি। মীয়ামগী থম্মোয়বু শুমহৎপা ঙম্বগী অচৌবা গুন অমা য়াওরি। প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনরসু শৈরেং পাখি। মথং মথং শৈরেং পাবগী থৌরম চথখি।

অরোইবা থৌরমদা গেষ্ট ওফ ওনরনা ৱা ঙাঙলবা মতুংদা চীফ গেষ্টকী শন্নকপা ৱারোল খরদং ফোঙদোকচরি। ওগষ্ট ১৩না মণিপুরগী অথৌবশিংগী মীংচৎ পুৱারীদা নত্তনা মরৈবাক মজাতিগী নীংতম্ববু নুংশিজবা মতম পূম্বদা শৈথাদুনা অসুম লৈহৌরগনি। মতমনা কৈদৌঙৈদসু মুৎহনবা ঙম্লরোই। মরৈবাক মজাতিগীদক নীংতম্বগীদমক মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা অথোইবা বলিদান তৌখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা অচৌবা থৌনা, ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্না কুমজা ১৯৭০দগী হৌদুনা চহী খুদিংগী অথৌবশিংগী নুমিৎ পালন পাঙথোক্লি। মণিপুরগী লূপ কয়ানসু পাক চাউনা পাঙথোক্লি। লোইলম লৈঙাক শন্দোক্নবগী ৱাখল লোৎশিল্লবা, লল্লোনবগী শক্লোন পুদুনা ইন্দিয়াদা খোঙদাফম লৌখিবা বৃটিশশিংনা মতম অদুগী মচোয় মচোয় লৈবা ইন্দিয়াগী লৈবাক মচাশিংগী ইমুং মনুংগী ৱাথোক্তা খূৎ থিংজিনখি। নিংথৌ মচাশিংগী পুকচেল খোয়জেল তিন্নদবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইন্দিয়াগী লমশিং মচেৎ মচেৎ ওইনা লৌশিন্দুনা মখোয়গী লোইলম লৈঙাক শন্দোক্নবগী তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈরকখি। কুমজা ১৮৮৬কী মে থাদা মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তিনা নোঙ্গাখ্রবা মজা ইবুংঙোশিংগী মরক্তা নাকপাক নাকপাক অনী থোক্লা তানদুনা নুংঙাইনদবা থোরকখি। কুমজা ১৮৯০গী সেপ্তেম্বর থাদা কোনুং লালহৌ থোকখি। মতম কুইনা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈরক্লিবা বৃটিশশিংনা লালহৌ অদুগী খুদোংচাবা লৌখি।

নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরম্বা মণিপুর কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৭তগী বৃটিশকী মখা পোনবা হৌখি। লম্মন খুম্নিংবগী ৱাখল ফুমজিন্দুনা থল্লগা মমিংতগী ওইনা বিচার তৌখি। মহারানি ভিক্তোরিয়াগী মথক্তা লাল হৌই হায়বগী মহারাজ কুল্লচন্দ্র, যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎনচিংবদা মরাল শীজিনখি। কুমজা ১৮৯১গী ওগষ্ট ১৩দা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেল অনীবু ফৈদাপুং হায়না খঙনবা হৌজিক্লা বীর টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক হায়না খঙনরিবা মফম অসিদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি। মহারাজ কুল্লচন্দ্র অমদি মনাও ইবুংঙোনচিংবা অঙম অথৌ ২২বুনা মণিপুরগী ৱাংমা কলাপানিদা থাখি। ঙসি ঐখোয়না নীংতম্না লৈরিবা ফীভম অসি ইপা ইপুশিংনা বৃটিশকা মায়োক্লনা লাল শোক্লদুনা নীংতম্বা ফংখিবগী খুদমনি। কৈদৌঙৈদা মীগী মীখা পোন্দুনা লৈবা পামদে হায়না বৃটিশশিংবু নীংতম লাল থেংনখিবনি। ঙসি ঐখোয়না ঈংনা চিক্লা লৈবা ঙল্লিবা অসি ইপা ইপুশিং অদুগী হোৎনবিরম্বগী মপালননি। মণিপুরগী চীং তমদা লৈরিবা লূপ ময়াম্না পূল্লগা তুং কোয়না লৈহৌনবা ঐখোয় পূম্নমক্লা পায়খৎমিন্নবা হোৎনমিন্নরসি। অপূনবগী শক্তম ৱাখল্লোন অদুসু থমহৌবা মথৌ তাই। অথৌবশিংগী নুমিৎ তরাইবা নুমিৎ নত্তে। ধর্ম্মগী অখুবা মিৎয়েং, কাঙলুপ নাইবগী ৱাখল থাদোক্লদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী থবক পায়খৎপা, চীং তমগী ইপা ইপুশিংনা লৌখিবা থৌদাংশিং, মখোয়গী মফমদা থম্মোয়গী কিশি কিদুনা লৌনম্বা থম্মোয়গী মিৎকী পিরাংদুদি অথৌবশিংগী মীতমদা তাহন্নীংদে। লৈবাক অসিগী অপূনবা শক্তমগীদমক্তা নীংতম লান্দা অথৌবশিংনা থৱায় কৎমিন্নখিবগী ময়েক লারবা খুদমদি। নীংতম্বা হায়বা অদুদগী করি অমুক হেনবা অমা লৈরিবগে? অচৌবনা মচাবু তুহৎপীবা, অকনবনা অশোনববু নৈহৎপীবা ঙসিগী তাইবঙপান অসিদদি অদুগুম্লবা নুমিৎ ওগষ্ট ১৩ অসি তাঙনা থোকই হায়বা শন্নপ্লা মচং ওইবা ৱাফম খরদং থমখি।

ৱা ঙাঙবদা য়াম্না চীং লেম্না, থকসি-খাসি লৈনা ঙাঙখি। ৱা ঙাঙবদা মীয়ামগী থম্মোয় শুমহৎপা ঙম্বগী গুন চেল্লি। ৱা ঙাঙবা মতমদা ঙাঙলিবা ৱাহৈশিং অদুগী মচা খায়না, ময়েক শেংনা ঙাঙখি। মীয়ামগী থম্মোয়দা ইথিল পীবা ঙম্বগী অচৌবা মগুণ অমা য়াওরি। মসি তাইবঙ শেম্বা মপূনা পীথোরকপা অচৌবা মগুণ অমা ওজা মুতুম উপেন্দ্রোদা য়াওরি।

অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরমসিদা মীয়াম পূম্নমক কায়দনা থৌরম লোইবা ফাওবা লৈখি। অচম্বা অচা-অথক খরসু শিনখি। মুতুম জয় মেমোরিএল ত্রষ্টকী একজিক্যুটিভ মেম্বর অমসুং মেম্বর নুপা অমসুং নুপী পূম্নমক থকসি-খাসি, থৌগল্লোন খঙনা চৎলি। নাৎকী ফিজোল শেৎতুনা থৌরমদুদা হোৎনজবগী অচৌবা মমি তাই। থৌরম অসি চম্না ফজনা, ইংনা শিনবা উবদা মীয়ামগী থম্মোয়দা অপেনবা পোক্লখি। লোয়ননা তিল্লিবা মীয়ামশিংগী মরক্তগী অমদি ঐহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙম্বা শেলগী মতেং পাঙজখি। ত্রষ্টকী মায়কৈদগীসু শেলগী মতেং পাঙবীরকখিবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকখি। থৌরম লোইরবা মতুং নুংথিলগী পুং ৫.৩০ তাবদা ফৈদাপুং হায়না খঙনবা হৌজিক্লা বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক হায়না খঙনরিবা মফম অদুদা চীফ গেষ্ট মুতুম উপেন্দ্রোনা লুচিংদুনা প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর, ত্রষ্টকী মেম্বরশিং অমদি ঐহাক য়াওনা চৎতুনা মৈরা কৎতুনা কোক নোন্দুনা খুরুমজখি।

অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফম অমনা, থম্মোয় শেংবা ত্রষ্টকী একজিক্যুটিভ মেম্বর অমদি মেম্বর লোয়ননা জেনরেল সেক্রেটরিসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মসি পূম্নমক অসি ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিখিবা অসি ইকায়খুম্নজরিবা ওজা মুতুম উপেন্দ্রোনি হায়না ত্রষ্টকী একজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা তাকপীখি। থৌরম অসি চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা ঙম্নবা তাইবঙ শেম্বা মপূনা পীনবীবা ওইরসনু।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লাইব্রেরিনা করি পীরিবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**স্কোলর** কয়ানা মখূৎতা খোর্জে পায়দুনা ইদুনা থন্বীরল্লবা পুৱারীগী অমদি সোসিয়েল ইস্যুদা, নুপী অঙাংগী ইস্যুদা, সাইন্সতা, লিটরেচরদা মখল মখা কয়াদা থারল্লিবা খূৎ অসিনা মীওইবা ঐখোয়গী লৌশিং চাওখৎহন্দুনা মপূং ফাবা খুন্নাই অমগী মঙ তল্লিবনি, অইবা কয়ানা লাইরিক ময়াম বুক বেঙ্ক ওইনা থমজিনবা অদুগুম্বা মফম অদুবু লাইব্রেরিনি। অসুম্না অইবা কয়া পুৱারীগী ৱারী শিংবুল কয়া য়াওরিবা (১৮০৫-১৩৫৯ বি সী) নিংথৌ কাংবগী মতমদগী হৌরগা ফংলিবা রিপোর্ট অঙনবা মতম (৩৩-১০৭৪ এ দি) নোংদা লাইরেন পাখঙবনা পানবা হৌখিবা অনৌবা সেঞ্চুরি হৌখিবা, অদুদগী ময়ায় ওইবা মতম নিংথৌ লোয়ুম্বনা পানবা হৌখিবা (১০৭৪দগী ১৮২৫ এ দি), অনৌবা মতম ১৮২৫-১৯৪৭, ১৮১৯-১৮২৫ চহী ৭ খুন্তাকপা মসিদগী তোঙান তোঙানবা মীতৈ মচা কয়া মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিবা অসিগুম্বা ৱারী শিংবুন কয়া অসি পুৱারীগী লাইরিক কয়াদা ইদুনা থন্বীরম্মী। মণিপুরগী পুৱারীগী ৱারী মতম মতমদুগী নিংথৌশিংগী ৱারী কয়া অসিদি ঙসিদগী চহী ২০০০গী মমাঙদা লৈবাক অসিদা অইবা লৈরম্বগী ৱারী ঐখোয়না থেংনরে। মসিদা নত্তনা লাইওইখ্রবা অইবা অঙাংহল, গুনা , চাউবা, কমল, শিতলজিৎ, নীলবির শাস্ত্রি, খেলচন্দ্রনচিংবা কয়া অমদি হৌজিক্কী মীরোলগী অইবা কয়াসু থোরক্তুনা ইস্যু কয়া নৈনদুনা খোরিরোলগী পুক্কেদা অঙম্বা থৌদাং লৌদুনা মসিবু মবুক থলহন্নবা কন্না হোৎনরি। অদুবু মসিদা খ্বাইদগী শোত্থরিবা মরুওইবা অমা ওইরিবদি পাবিনবা মীগী মশীং য়ামদবা অসিনি। লমদম অসি পাবগী হৈনবী য়াম্না ৱাৎপা লমদম অমা ওইরি। ঐখোয়গী ঙসিগী নহা অহল খাক্তনা লাইব্রেরিদা চঙদুনা পোত্থাবা ওইনা পাবগী হৈনবী থন্বীরবদি কান্নবা য়াম্না ফংগনি। মসিদা য়াম্না মরু ওইরিবদি ঙসিগী নুপী ওইবী কয়া ময়ূম পানবা ওইবা য়াই পান্দ্রিবা ওইবা য়াই লাইব্রেরিগী লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈতবগুম তৌরি। তোঙান তোঙানবা অইবশিংগী লাইরিক কয়া পাবনা তোঙানবা মহাও কয়া ফংদুনা মপুরোইবগী থৌগল অমদি মচা-মশু শেম্বদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। ঙসিগী ইমুংগী মৌ ওইরিবা নুপী কয়া থোইনা মথৌ চিনবা ওইদ্রবনি, মমাঙঙৈগী মতমদা লৌবুক্তা খুল্লং চৎপা, ফৌ শুবা, থবক য়াম্ন। চিন্নরম্মী অদুবু হায়রিবা থবকশিংদু পূম্নমক শুনখিদ্রবনি। অরেম্বদা মতম লেন্দুনা লুদু শান্নবা, মোবাইল মনাদা নপ্তুনা চৎপগী মহুৎ চাং নাইনা পোত্থাবা ওইনা নোংমগী মনুংদা পুঙ্খায় অমা, পুং অমা লাইরিক পাবনা কান্নবা ফংগনি।

অমনা, মণিপুরদা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা থৌদোক অনী থোকখি। অহানবা থৌদোক্লা কুমজা ১৭০৯ দা নিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক অদুগা মণিপুরগী অরিবা লাইরিক কয়া খোমজিন্দুনা ১৭৩২গী মেরাগী পুর্ণিমা নুমিত্তা মৈ থাখিবা অদুগা অমনা কুমজা ২০০৫গী এপ্রিল ১৩দা মণিপুর ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি মৈ থাখিবা অসিনি। মৈ থাদুনা মৈখুনা নুংশিৎতা তিন্দুনা মাঙখিবগুম অফবা অইবা কয়াগী মকোক অদুসু মৈখুলক্তা তিন্দুনা মৈখুনা নুংশিৎতা তিনবদা য়াওখিরম্মী। ঙসিগী মীয়াম্ন। পাদুনা মহাও কয়া লৌগদবা অথোইবা অইবা কয়াগী খূৎই কয়াবু মৈনা চাকখিবদা মীয়ামগী কোকসু মৈনা চাকখ্রবনি হায়বদা অরানবা ওইরোই। লাইরিকশিংদু লৈরল্লবদি ঙসিগী নহা কয়ানা মৈতৈ ময়েক্তা ওল্থোক্তুনা ঙসিগী মীরোলদা কান্নবা ফংলমগদবনি। অদুনা ঐখোয় খুদিংনা লাইব্রেরিগী লাইরিক ওইসনু, চেফোং ওইসনু মদুবু মৈ থাদোকপা অমদি থম্ফম চাদনা থম্বা, মদুবু ব্লেদনা নৎত্রগা কাটিনা চপ্পা তৌবিরোইদবনি। অইবা পোৎ খুদিংবু লুনা নিংথিনা ঙাক শেনবীগদবনি। মদুনা তুংগী মীরোলনা থেংনরুবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফংগনি। মমাঙঙৈগী অইবা লাইরিক ঙসিগী লনগৈনি। ঙসিগী অইবা লাইরিক কয়া তুংগী মীরোলগী লনগৈনি। মসিবু ঙাক্লা চৎপনা মতম-মতমগী মীরোলনা খোরিরোল অমদি খুন্নাইগী থাক খঙবা ঙমগনি।

*অদোমগী - ময়াংলম্বম থম্বৌ সিংহ*
*ককচীং খুনৌ*